১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# কাঙ্গুই ৱার্দ নম্বর ফোর মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপীদা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা হান্নগী ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর মাঙলেনথাং জৌনা মৈরা চুখৎতুনা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

কাঙ্গুইগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দকী টিমশিংনা শরুক য়াদুনা চৎথরিবা ১৫শুবা কাঙ্গুই ইন্টর ৱার্দ ৱাইস টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর ওইরম্বদা নত্তনা সোসল ৱার্কর মাঙলেনথাং জৌ, কাংপোকপী টাউন কম্মিটিগী চেয়মেন লুনসে কিপজেন, জি য়ু দি য়ু পিগী এক্টিভ মেম্বর জাম্পু কিপজেন অমসুং ৩৮শুবা অসাম রাইফলস কাংপোকপীগী পোষ্ট কম্মান্দর মেজর ইরফাননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পিসিয়েল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মাঙলেনথাং জৌনা ফোঙদোকখিবদা শান্ন-খোৎনবনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ ফুরুপকী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈহনবদা মতেং ওইহল্লি। শান্নবনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদসু অফবা ৱাখল অমদি হকচাং ফনা লৈহনবদা চাউনা মতেং পীরি। মরম অসিনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লবা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা কন্না হোৎনগদবনি হায়খি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি ৱার্দ নম্বর টুগা ৱার্দ নম্বর ৮গা শান্নখিবা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চংখি। অনীশুবা মেচতা ৱার্দ নম্বর ৯ অমসুং ৱার্দ নম্বর ৪গা শান্নখিবা মেচ অদু ৱার্দ নম্বর ৪না গোল ২-০দা মায় পাকখি।

১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা তাওবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বি এম এস সী গ্রাউন্দদা চৎথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বী মায় পাকখ্রে।



টিম ৬না শরুক য়াদুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা চৎথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং বি এম এস সী তাওবুংখোক শান্নখি।

মেচকী অঙনবা মতম ৬শুবা মিনটতা এস কে ৱাই সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ এন জোনসন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। বি এম এস সীগী মায়কৈদগীসু এস কে ৱাই সীনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ২২শুবা মিনটতা অমুক এস কে ৱাই সীগী শান্নরোয় এন জোনসন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিল্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস কে ৱাই সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এস কে ৱাই সীনা অহানবা হাফতা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা লাক্লবসু বি এম এস সীগী শান্নরোয়শিংনা নিংহন্নবা লৈতনা এস কে ৱাই সীগী গোলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। এস কে ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু বি এম এস সীনা চৎথরক্লিবা এটেকশিং অদু মথং মথং দিফেন্দ তৌরগা শান্নরকখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা বি এম এস সীগী মায়কৈদগী এস কে ৱাই সীগী গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাইনা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বী অমসুং এন সী ক্লব খোঙহাম্পাৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চনশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা এটেক কয়া চৎথনরবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈনখি। মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা কন্না হোৎনরক্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা টিম অনীমক গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ৬৩শুবা মিনটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ১১ চীংলেন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা মেচ অদু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

এন সী ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা চীংলেন্না চনখিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরবসু মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৫দগী হৌদুনা চৎথরিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু মায় পাকখ্রে।



দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লব ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ২৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ এগী এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু অমসুং বি এফ এ নাচৌ শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৫শুবা মিনটতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী সেংভাইদামনা বি এফ এগী মায়কৈন্দা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীৎকুপ মেচকী ৩০শুবা মিনটতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী জর্সি নম্বর ১৬ ৱিল্লিয়মনা চনখিবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনটতা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী জোনিটসন্না গোল অমগা চনশিনখি। মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা বি এফ এগী পি হেরোবনা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদুখক হন্দোক্লবসু মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওনা গোল ২-১দা মায় পাকখি।

৪শুবা এ ইবোতোন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# দব্লিয়ু ৱাই সী-এনা এন ঈ ৱাই এ-এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা থা অসিগী ৬তগী হৌদুনা চৎথরক্লিবা মরিশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা দব্লিয়ু ৱাই সী-এ য়ূম্নাম খুনৌনা এন ঈ ৱাই এ-এফ এ নিংথৌখোংবু মায়থীবা পীখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চৎথরিবা মরিশুবা এ ইবোতোন অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.১৫ তাবদা গ্রুপ এগী দব্লিয়ু ৱাই সী-এ য়ূম্নাম খুনৌ অমসুং এন ঈ ৱাই এ-এফ এ নিংথৌখোং লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্মদনা অদুমক লৈখি। মেচকী ৪০শুবা মিনটতা দব্লিয়ু ৱাই সী-এগী জর্সি নম্বর ৮ থোইবা য়াংলেম্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু দব্লিয়ু ৱাই সী-এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এন ঈ ৱাই এ-এফ এগী মায়কৈদগী দব্লিয়ু ৱাই সী-এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

১৩শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# লোক্তাক এফ সী অমসুং আই কে এ সী দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙরাংদগী বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্ট অমসুং আই কে এ সী ইরেংবম দ্রো চংখ্রে।



টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা গ্রুপ বিগী লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্ট অমসুং আই কে এ সী ইরেংবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা কন্না হোৎনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা আই কে এ সীগী জর্সি নম্বর ৯ রাজকুমারনা লোক্তাক এফ সীগী মায়কৈদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু দ্রো চংখি।

২শুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে

# এম পি এস সীনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
ইরোং ষ্টুদেন্টস এন্দ সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (আই এস এস দব্লিয়ু সী) ইরোং চেশাবনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা ময়াং ইম্ফালগী আই এস এস দব্লিয়ু সীগী শান্নবুংদা ২শুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

টিম তরুক্লা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ২শুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইরোং চেশাবা মখা লৈকায়গী সোসল ৱার্কর এম ভি অবদুস সলাম, ইরোং চেশাবা জি পিগী প্রধান এম দি ইস্লাও রহমন, হয়েং হেঙ্গুন জি পিগী প্রধান এম দি সিকন্দর আলি, মাইবম কোঞ্জিনগী সোসল ৱার্কর দব্লিয়ু শ্যামজাই, চিরাই ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ও জয় মঙ্গল অমসুং ময়াং ইম্ফাল ম্যুনসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপার্সন ইতো মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ অমদি লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী এম পি এস সী মণিপুর পুলিস অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা মিখ্যাবু সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৩, ২৫-৯) দা মায়থীবা পীখি।

৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# পি ৱাই সী পুংদোংবম্না কংলা এফ সী অমসুং কে এফ সী খুরাইনা পি জে এ পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চৎথগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি ৱাই সী পুংদোংবম্না কংলা এফ সী অমসুং কে এফ সী খুরাইনা পি জে এ পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদ গ্রুপ সীগী পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অমসুং কংলা এফ সী শান্নখি। অহানবা হাফকী ২১শুবা মিনটতা পি ৱাই পি সীগী ঙাইস্নানা গোল অমা চল্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাখি।

মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা কংলা এফ সীগী থানিলনা পি ৱাই পি সীগী গোল অদু হন্দোক্লগা গোল ১-১দা লৈহনখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা অভিসিকনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু পি ৱাই সীনা গোল ২-১দা মায় পাকখি।

লীগ রাউন্দগী ৩শুবা মেচ ওইনা পি জে এ অমসুং কে এফ সী খুরাই শান্নখিবা মেচ অদু কে এফ সী খুরাইনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

# সেক্তা-সী মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস)ঃ
ফুটবোল ক্লব সেক্তানা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৯দগী হৌদুনা চৎথরক্লিবা মঙাশুবা লমলাই, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সেক্তা ট্রোফি) ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা সেক্তা-সী মায় পাকখ্রে। অদুগা এস বি আর এফ সী নোংদম অমসুং হুইদ্রোম এফ সী দ্রো চংখ্রে।

টিম ১৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চৎথরিবা মঙাশুবা লমলাই, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সেক্তা ট্রোফি) ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী হুইদ্রোম এফ সী অমসুং এস বি আর এফ সী নোংদম শান্নখি। মেচ অদুগী ১৪শুবা মিনটতা এস বি আর এফ সীগী জর্সি নম্বর ২১ এস নাওচানা চনখিবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস বি আর এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৪১শুবা মিনটতা হুইদ্রোম এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ কে এস ঐচ প্রটাপনা এস বি আর এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা হুইদ্রোম এফ সী অমসুং এস বি আর এফ সী গোল ১-১দা দ্রো চংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী ইমোইনু এফ সী অমসুং সেক্তা - সী শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা সেক্তা-সীনা ইমোইনু এফ সীবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। সেক্তা-সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু পি ঐচ তোলেন্না মেচকী ১৮শুবা, ৱাই কিন্টরসন্না মেচকী ২২শুবা অমদি টি ঐচ সিটলজিৎনা মেচকী ২৫শুবা মিনটতা চনখি। ইমোইনু এফ সীগী গোল অদুনা সঞ্জিৎ অমদি বিকাসনা মেচকী ১৭শুবা অমসুং ২৯শুবা মিনটতা চনখি।

HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com